# কুমজা ১৯৯২দা সিঙ্গাপোরদা তৌখিবা ৭ শুবা এসিয়ন ভেটরান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তসু ঐহাক জেভলিনদা সনাগী মেদল লৌজরকখি



ঐচ যমুনা দেবী
*(ভেটরান প্লেয়র)*

(ঙরাংগী মখা)

কুমজা ১৯৮১/৮২ অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি ভেটরানগী শান্নবা হৌরকপা ওইনা তৌদুনা মপান লমদা চৎপগী অচঙবা শেনফমসিসু ইশানা অয়াম্বা পুথোকচৈ। অদুগা শেল-থুমগী মতাং হায়বা অমসু লৈবনিনা মরক্তা খরা লেপ্পসু অদুম য়াওখি। অদুবু শান্ননিংবগী অকনবা নিষা অমা ইশাদা সুম য়াওবনিনা মখা তানা অমুক হোৎনদুনা শান্নজরকখি। অসুম্না ঐহাকসি কুমজা ১৯৯২দা সিঙ্গাপোরদা জুনগী তাং ১১দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা 'তরেৎশুবা এসিয়ন ভেটরান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ' তা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওজদুনা মখা তানা অমুক শরুক য়াজরকখি। কুমজা ১৯৮৪দগীদি মতম শাংনা শেল কায়বীখিদবদগী চৎচবা ফঙজ খিদে। ঐখোয়না শান্নজরিবসিদি তশেংনা স্পোর্টস পামজবদগীনি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী খরদং মতেং পাঙবীদ্রগদি চৎপদসু অৱাবদি অদুম ওই। সিঙ্গাপোরদা চৎচবা মতমসিদদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সাইটতগী শেল-থুমগী মতেং ফজনা পাঙবীরকখি। হোং-কোংদা অনীরক চৎপা ফঙজখিবদুসু তশেংবদি স্পোর্টস দিরেক্টোরেটনা মতেং পাঙবীরকখিবদগীনি। ফোরেন কন্ত্রিদা চৎলকপা মতমদদি শেলসু খরা অদুম চঙই। ইশানা পুথোকপা ঙমজবা চাং অদুগা, গভর্ণমেন্টনা পাঙবীরকপগনা ঐখোয় মপান লৈবাক্তা ভেটরান শান্নরোয় ওইনা চৎচবা ফঙজবনি।

কুমজা ১৯৯২গী সিঙ্গাপোরদা তৌখিবা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ





অদুদা ঐনা লৌজরকখিবসি শুপ্ন তংগী জেভলিন্দা গোল্ড অমখক্তনি। সোট-পুটকা দিস্কসকদদি ঐহাক চান্নজৈ হায়না খঞ্জে। আইটেম অহুম য়াওজবদা জেভলিন্দা ওইরবসু গোল্ড মেদল অমা চুম্না লঙবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। অদুনা হায়রিবা ইভেন্টসিদদি মেদলসু অদুম লৌনরকই।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

মেদল লৌবা ঙমজরকখিদে। ফোর্থ পোজিসন তারগা হল্লকখি। হায়রিবা চহীদুদদি ইন্দোনেসিয়াগা, জপানগা লৈবাক অনীসিগী মশা-মউ, চুঙ-ফিরান চাবা, য়েঙবদা মশাগা মরৈ মরৈ তাবা নুপী থ্রোঅর য়াম্না থোরকখি। অদুনা সোট-পুট অমদি দিস্কসসিদা ঐহাক পোজিসন হায়জিল্লুবা ঙল্লকখিদে। অদুমকপু, জেভলিন থ্রো অসিদদি মখোয়না লৌবা শুকঙম ঙমখিদে। তশেংবমকসু ঐদি জেভলিনসি অঙাং ওইরিঙৈদগী য়াম্না পামজনা শান্নজদুনা লাকচখ্রবনি। ইশানা ফাওবা শেন্নগা শান্নরকখ্রবনি। জেভলিনসিমদি ঐগসু খরা ফঙজরকখিবদুমদি নুংঙাইজৈ। সিঙ্গাপোরদা কুমজা ১৯৯২দা তৌখিবা "তরেৎশুবা ভেটরান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ" অদুগী জেভলিনদা পুন্না প্লেয়র লাকখিবসি এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা কন্ত্রি ১৬তগীনি। মখোয় অয়াম্বা সোট-পুট, দিস্কস লঙবসিদা মওং তাজরবসু জেভলিনসিদদি কয়া মওং মরিন চুম্না লঙবা উদে। থোরক্লিবা প্লেয়রশিং অদুনা জেভলিন পায়রকপা মতমসিদা ফজনা লঙবা ঙমগনি নত্রগা ঙম্লোই হায়বসি ইরায় লায়না উবা ঙম্মী। ঐখোয় ইন্দিয়াদগী চৎখিবা কাংবুসিদি জেভলিন লঙবসি অয়াম্বনা ফোর্ম ফঙজরকখিবদুমদি নুংঙাইজৈ।

অদুগা সিঙ্গাপোর চৎপসিগী য়াম্না নুংঙাইবসিনা সিঙ্গাপোরসিদি অদুক্কী মতিক নানখ্রে। য়েংবদা শৃত নাল্লি হায়বদুনি। ঐনা খ্বাইদৈ ঙকপদি, ঐখোয়না শান্নবা চৎলিবা মতমদু জুন থাদনি। জুন থা অসি মখোয়গীসু নোংজু থানি। ঐনা জেভলিন কন্না হুল্লিঙৈসিদা নোংসি অঙকপা ফঙনা ফুদ্রিট ফুনা চুথরকখি। ঐখোয়না শান্নরিবা গ্রাউন্দ অদু ঈশিংনা খুজেং য়ৌনা থুমজিল্লকখি। অমরোমদা, সিঙ্গাপোরসি নোংসু খরা কন্না অদুম চুগল্লি হায়। নোংনা পুঙথুম থুমজিল্লল্লবা গ্রাউন্দ অদু সুপ্নতংগী মীৎকুপ খরদা ঈশিং ময়ামদু শ্বাই মাঙখিবগী ৱানি। মদুমদি ঐহাক তশেংনা ঙকখি।

মথং ..মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়াম্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে?

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup)তা শরুক য়াখিবগে?

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কনানা ওইখিবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তগী পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়াগী সুমিত নগাল করিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক ওইনা ১২৯ শুবা থাক্তা হায়গৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সী)ঃ

এসোসিএন ওফ টেন্নিস প্রোফেস্নেল (এ টি পি)গী খ্বাইদগী নৌবা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিং লাউথোরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুমিত নগাল থাক ৬ হায়গৎলগা ১২৯ শুবা পোসিজসনদা লৈদুনা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা থাক অদুদা লৈবা ঙমখ্রে।

সুমিত নগালনা হৌখিবা চয়োল ৩দা শরুক য়াখিবা এ টি পি চেলেঞ্জর সর্ক্যুইটকী টুর্নামেন্ট ৩দা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা ফজবা ঙমখিবদগী থাক ৬ হায়গৎপা ঙমখিবনি। মশাগী চহী ২২দা ঙাইরিবা সুমিত নগালনা হৌখিবা চয়োলদা ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা কাম্পিনাস এ টি পি টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী জোন ফিকোবিসকী মখুৎতা ৪-৬, ১-৬তা মায়থীহৌবনি।

সুমিত নগালনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা অর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা এ টি পি চেলেঞ্জর ক্লে ইভেন্ট অমদা টাইটল লৌবা ঙমদুনা এ টি পি রেঙ্কিংদা থাক ২৬ হায়গৎলগা ১৩৫ শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং মখা তানা শরুক য়ারকপা টুর্নামেন্টশিংদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী মখা তানা থাক ৬ হায়গৎলগা ১২৯ শুবা পোজিসনদা লৈখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরন থাক ২ হায়গৎলগা ৮২ শুবা পোজিসনদা লৈদুনা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ ওইরি।

## সাঙহাই মাষ্টর্স টেন্নিসতা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



সাঙহাই, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সী)ঃ

চাইনাগী সিটি সাঙহাইদা ঙরাংদগী হৌখিবা রোলেক্স সাঙহাই মাষ্টর্স এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

১১রক শুবা সাঙহাই মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দ ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসনা ইটালিগী শান্নরোয় এল সোনিগোবু ৭-৫, ৬-৭ (১-৭), ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ঝৈ ঝাংবু ৭-৬ (৭-৫), ৬-৪দা থোইরম্বা পোলেন্দগী ঐচ হুরকাসগা লম্বা তৌনরগনি।

কানাদাগী শান্নরোয় দেনিস সাপোভালোপ্না মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা য়ু এস এগী এফ টিয়াফোবু ৬-৪, ৬-২দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫ শুবা সিদেদ জিওজিয়াগী এন বসিলাসভিলিনা মোলদোভাগী আর অলবোটপু অহানবা রাউন্দদা ৪-৬, ৬-১, ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী বিপাইরেগালম্বা তৌনরগনি।

গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় সি নোরিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ফ্রান্সকী গাইলস সাইমোনবু ৭-৫, ৬-২দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী দানিল মেদবেদেফকা শান্নরগনি।

পোর্টুগালগী শান্নরোয় জে সোসানা সর্ভিয়াগী এফ ক্রানোবিসপু ২-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৭-৫)তা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দদা ইজরেলগী স্বাটমেনবু থোইরম্বা কানাদাগী ওসপিসিলগা শান্নরগনি।

## ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলিবা মৈরাবা লুৱাং ২শুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ৩ শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



কজান, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী সিটি কজানদা লৈবা কজান গিম্নাষ্টিক সেন্টরদা ঙসিদগী হৌখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংখিবা মণিপুর মচা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৭ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী শান্নরোয় দিওদো সিওরোবুবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-৪, ২১-৩দা থোইদুনা হয়েং অহুমশুবা রাউন্দদা স্কোটলেন্দগী মাইকেল মেগ্বয়রবু মায়থীবা পীরম্বা চাইনিজ টাইপৈগী সু লি য়াংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় প্রনব রাও গন্ধমসু ২শুবা রাউন্দদা অর্মেনিয়াগী অরমান বর্ধনয়ানবু ২১-১০, ২১-৬তা মায় পাক্তুনা ৩শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা সিদেদ মালেসিয়াগী কোক জিং হোংগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সটিস কুমার করুনাকরননা মহাক্কী ২শুবা রাউন্দদা উগান্দাগী সাম্যুল ৱাসুৱাবু ইকোম কোম্না ২১-৬, ২১-৫তা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা জর্মনিগী য়ু ওই কিয়ানগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা শান্নরোয় আর গুরবানিনা মহাক্কী ২শুবা রাউন্দ মেচতা লাটভিয়াগী এ জান্দোপস্কিপু ২১-৬, ২১-৩দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা স্পেনগী টি টোলেদানোগা লম্বা তৌনরগনি।

রসিয়াগী সিটি কজানদা চথরিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৪ অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙল্লি।

উনানি উনাতি বিসনা ন্যু জিলেন্দগী কেটেলিন রোজারিওবু ২১-১৮, ২১-১১দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী কেটেরিনা মিকেলোভাগা শান্নরগনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী অদিতি ভাটনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কাই কি টিওবু ২১-১২, ২১-১০দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা স্পেনগী লোরা সোলিসকা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী টসনিম মিরনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা স্বিজর্লেন্দগী জুলি ফ্রানকোনভিলিবু ২১-১৪, ২১-৪দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী টুলি বাসিকানৈমিগা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী ত্রিসা হেগ্রেনা কানাদাগী এলিনা দিওদিএপপু ২১-১২, ২১-৯দা থোইবা ঙম্বদগী ৩শুবা রাউন্দদা মলেসিয়গী ঝিং হি টানগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা কোন্থৌজম দিঙ্কু অমসুং খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা হয়েং অনীশুবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী পেয়রবু ২১-১১, ২১-১৮দা থোইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী রিও ওগষ্টিনো অমদি জেক য়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলস শান্নরোয় মহমদ কাদির অমসুং নবনিত বোকা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র ৱেং সুং অমদি য়িং মিং সিমগী মখুৎতা ১৮-২১, ২১-১৬, ১১-২১দা মায়থীহৌখি।

## ৱর্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মঞ্জু রানি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে অদুবু বোম্বারিয়া লৈহৌরে



উলান উদে, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সী):

রসিয়াগী সিটি উলান উদেদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী কিলোগ্রাম ৪৮ (লাইট ফ্লাইৱেথ) কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মঞ্জু রানি মহাক্কী লম্বা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। অমরোমদা কিলোগ্রাম ৬৪ (লাইট ৱেল্টরৱেথ) কেটগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়া মঞ্জু বোম্বারিয়া প্রি ক্বার্টরদা মায়থীহৌরে।

লাইট ফ্লাইৱেথ কেটগোরিগী প্রি ক্বাটর ফাইনেল বাউট অদুদা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী মঞ্জু রাননিনা ভেনিজ্বেলাগী রোজাস টাওনিসপু য়াম্না হেনবা মওংদা লম্বা তৌবা ঙমখিবদগী বাউট অদুগী স্কোর পীখিবা জজ মঙামক্লা মঞ্জু রানিগী ফেবরদা লৈখিবদগী ৫-০দা মায় পাক্তুনা মেদল রাউন্দ য়ৌনবগীদমক ক্বার্টর ফাইনেলদা মমাঙ চহীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবী সাউথ কোরিয়াগী চেম্পিয়নশিপ অসিদা মকোক ওইরিবী কিম হিয়াংমিগা লম্বা তৌনরগনি।

কে জি ৬৪ (লাইট ৱেল্টরৱেথ) তা ইন্দিয়াগী বোক্সর মঞ্জু বোম্বোরিয়া ঙসি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইটালিগী বোক্সর এঞ্জেলিয়া কারিনিগী মখুৎতা ১-৪দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং কে জি ৫১ (ফ্লাইৱেথ)তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী মেরি কোমনা থাইলেন্দগী বোক্সর জুটামাস জিটপোংগা প্রি ক্বাটরদা লম্বা তৌনরগনি। অমরোমদা কে জি ৭৫গী কাংলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল বাউট ওইনা ইন্দিয়াগী সাৱিতি বোরানা ৱেলসকী লোরেন প্রাইসকা থেংনরগনি।

## ইটালিগী সেরি এদা জুবেন্টস ক্লবনা মকোক থোংদুনা লৈরি অদুগা স্পেনগী লা লিগাদা বর্সেলোনানা মকোক ওইনবা হোৎনরি

মিলান, ওক্টোবর ০৭(এজেন্সী):

য়ুরোপকী মমিং লৈরবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইটালিগী সেরি এ দা জুবেন্টসনা ইন্টর মিলানবু মায়থীবা পীদুনা মকোক থোংবা ঙল্লি। অমরোমদা স্পেনগী লালিগাদা বর্সেলোনা মায় পাক্তুনা মকোক থোংনবা কন্না হোৎনরি।

সেরি এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাঙ চহীগী লীগ চেম্পিয়ন ওইরিবা জুবেন্টসনা ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা মকোক থোংবা ঙমখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী মাংওইননা জুবেন্টস অমসুং ইন্টর মিলান মেচ ৬/৬ শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্টর মিলাননা পোইন্ট ১৮ অদুগা জুবেন্টস পোইন্ট ১৬ ফংদুনা লাকখি। ইন্টর মিলানগী টিম মেচ ৬ শান্নবদা ৬মক মায় পাক্লকখিবনি। অমরোমদা জুবেন্টস মেচ ৬ শান্নবদা ৫ মায় পাক্লগা ১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৬ ফংখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী মিরালেম পিয়ানিক্না পীখিবা পাস অমা পাউলো দিবালানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্টর মিলানবু জুবেন্টসনা ঙন্না মাংজিল থাবা ঙমখি। মেচকী অহানবা হাফ অদুগী ১৮ শুবা মিনটতা ইন্টর মিলাননা চথরকখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টিদা টিম অদুগী লোটারো মার্তিনেসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর ফঙদুনা অহনাবা হাফ লোইশিল্লকপদা জুবেন্টস অমসুং ইন্টর মিলান পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।



অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ জুবেন্টসকী মায়কৈদগী রোদ্রিগো বেন্টাগুরনা পীরকপা পাস অমা গোঞ্জালো হিগ্বাননা ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১ থোইদুনা পোইন্ট ১৯ ফংলগা মাংজিল থাখি।

স্পেনগী লা লিগাগী ৮ শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাঙদা টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী সিবিলাবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংলিবা রিএল মাদ্রিদকী পোইন্ট ১৮ অদু তান্নদুনা পোইন্ট ১৬ ফংবা ঙল্লি। বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী স্বারেজ, বিদাল, দেম্বেলি অমসুং মেসিনা পাঞ্জল অমমম চনখি।